# হেকরশিংনা টার্গেট তৌরক্লে হায়বগী ৱার্নিং পীরক্লে

ইস্লামবাদ, মে ২৬ (এজেন্সি): পাকিস্তান্দা লৈবা অফঘান দিপ্লোমেটতা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা শৌগৎপা হেকরশিংনা টার্গেট তৌরক্লে হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

হেকরশিং অদুনা দিজিটেল এটেক চৎথদুনা মখোয়গী ই-মেল পাসৱার্দশিং হুরান্নবা হোৎনরি হায়রি। অফঘান এম্বেসিগী পাউ মতুংইন্না পাকিস্তান্দা লৈবা অফঘান দিপ্লোমেটকী ষ্টাফ অনীগী জেনরিক একাউন্টশিংদা হেক তৌননবা হোৎনরক্লে হায়না গুগলসনা ৱার্নিং তৌরকখ্রে হায়রি।

মমাঙ চয়োলদা এমনেষ্টি ইন্টরনেসনল ফোঙদোকখিবদা, পাকিস্তান মিলিটরিগী এক্টিভিষ্টশিংনা ফোন অমসুং কম্প্যুটরগী মেলৱায়রশিং খঙদোক্নবা হোৎনরে হায়খি।

পাকিস্তান মিলিটরিনদি হিরম অদুগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। মখোয়গী মথক্তা মরাল শিরক্লিবা কয়া অদু তাশিন্নদনা লৈরি। লৈবাক অদুগী ইন্টিলিজেন্স সার্ভিসনা অফঘান দিপ্লোমেটকী কম্প্যুটরশিং হেক তৌননবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিরি। গুগলসনা অফঘান দিপ্লোমেটতা ৱার্নিং তৌরকখিবা মতুং অফঘান দিপ্লোমেট অমগী ই-মেল একাউন্ট হেক তৌখ্রে। ই-মেল একাউন্টতগী থাদোক থাজিন তৌবা কয়াসু থেংনরে। অফঘান দিপ্লোমেটকী নোলেজ য়াওদনা চে-চাং কয়া থাদোক-থাজিন তৌরমখিবনি। লোয়নননা চিংননিংঙাই ওইবা এটেচমেন্ট কয়াসু লৈরম্বা থেংনরে হায়রি।

পাষ্টুন প্রোটেক্সন মুভমেন্ট (পি টি এম) গা মরী লৈনবা খোঙজং চঙশিনবশিংগী ফোটো কয়া ই-মেল অদুদগী থাদোক-থাজিন তৌখিবগী রেকোর্দ ফংবা ঙমখি হায়রি।

অদুম ওইনমক ই-মেল একাউন্ট অদুদগী মরুওইবা চে-চাংশিং দাউনলোদ তৌবা নৎত্রগা ইগজামিন তৌবা য়াবগী ওইথোকপদি লৈরোই হায়নসু ফোঙদোরক্লি। পি টি এম মুভমেন্ট অদুদা পাকিস্তান মিলিটরিনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌওং কয়া চৎথখি। নাকল অমরোমদা, মিলিটরিগী খোঙথাং অদু টেররিষ্টশিং থেংনবগী শরুক অমনি হায়না ফোঙদোক্লিবনি।

পি টি এমগী খোঙজং অদু অফঘান এম্বেসিগা মরী লৈনৈ হায়না থাজবা লৈবদগী হেক তৌননবা হোৎনরকপা ওইরম্বা য়াই। ই-মেল একাউন্ট অদুদগী পাকিস্তানগী পোলিটিকেল মেম্বর কয়াদা এদ্রেস তৌদুনা মেসেজশিং থারমখিবনি হায়রি।

# নোংলৈ-নুংশিৎ মেকুনুনা ওমানদা মীওই ৩ শিহনখ্রে

সলালাহ, মে ২৬ (এজেন্সি): নোংলৈ-নুংশিৎ মেকুনুনা অরাবিয়ান পেনিনসুলা ঙসি অয়ুক চঙশিল্লকপগা লোয়নননা ওমান অমসুং য়েমেনদা অকনবা নুংশিৎ শিংখ্রে।

নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা ওমান অমসুং য়েমেনদা মীওই অহুম শিহনখ্রে অদুগা মীওই ৪০ হেনবনা থিবা খঙহনখিদ্রে। ওমানগী খ্বাইদগী চাউবা অহুমশুবা সহর সলালাহদা নোংলৈ-নুংশিৎনা পৱার লাইন কয়া তৎহনখিবনা মরম ওইরগা ইলেক্ট্রিক ফংহন্দ্রে।

অরাবিয়ান সমুদ্রদা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা ঙসি অকনবা মওংদা উংশিন্দুনা লৈখিবনা মরম ওইরগা সমুদ্রদগী ঈশিং অমসুং কোঙ্গোল কয়া হুমদুনা কংফাললোমদা পুশিল্লকখ্রে। সমুদ্রগী অকনবা ঈথৎনা লম কোয়বশিংগী পন্থুংফম ওইবা মফম কয়া হুমদোকখ্রে। সমুদ্র খোংবালদা লৈবা মফম অমসুং হোটেল কয়া অকায়-অতোয় নংহনখ্রে। চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা ওইনা সমুদ্র খোংবালদা লৈবা লক্সরি হোটেল অমদা লৈরম্বা মশিং য়াম্লবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রবনি।

চাকহেন থাগী মতম ওইবনা মী কনবা কাঙবুসু নোংঙান্দ্রিবৈদগী চাবা য়াবা খরা চারবা মতুং মী কনবগী থবক চৎথবা হৌখি। অতোপ্পা পাউগী লীখুন অমগী মতুংইন্নদি ধোফর অমসুং অলৱুষ্টা প্রোভিন্সতা য়ামদ্রবদা মীওই ৭ শিহনখ্রে হায়রি।

য়েমেনগী সোকোত্রা ঈথৎতসু মীওই কয়া শিহনখ্রে হায়বগী পাউ লৈ হায়রি। ধোফরগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা তস্পাক্কী শরুক অমদা কার অমা নোংলৈ নুংশিৎনা হুমদুনা পুখিবনা মরম ওইরগা মীওই অমা অহানবা ওইনা শিহনখি হায়রি।

ধোফর অমসুং অলৱুষ্টাগী সমুদ্র খোংবালগা নক্লনা লৈবা মফমশিংদা খুন্দাবা মীওই লিশিং কয়া কিলোমিটর ১৭০ য়াংনা শিৎনা নোংলৈ নুংশিৎ অদুদগী কন্ননবা মফম হোংদোক-হনখ্রে। হায়রিবা মফমশিং অদুদা অকনবা মওংদা নোংচুরি। তস্পাক্কী শরুক অদু ঈশিং থুমজিনখিবনা মরম ওইরগা চথোক চৎশিন তৌবদা কাহেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। ওমানগী অনীশুবা সহর সলালাহগী মফম কয়াদসু ঈশিং থুমজিনখ্রে। য়েমেনগী ঈথৎ সোকোত্রাদা চাউনা অমাঙ-অতা থোকহল্লম্লবা মতুং নোংলৈ-নুংশিৎ অদু ওমানগী সলালাহ সিটি তম্না চঙশিল্লকখ্রে হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৪০ হেন্না থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি।

# নোর্থ কোরিয়া সম্মিট জুন ১২দা শোয়দনা পাঙথোকপা য়ানা লৈরি : দোনাল্ড ত্রম্প

ৱাশিংটন, মে ২৬ (এজেন্সী)ঃ য়ু এস এগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ফোঙদোকখিবদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উনগা মথং থাগী ১২দা ন্যুক্লিয়র সম্মিট অদু অদুম্মক পাঙথোকপা য়ানা লৈরি হায়খ্রে। মমাংদা মহাক্না পিয়োংয়াংবু য়াম্না হোষ্টাইল ওইবগী মরাল শীরদুনা সম্মিট অদু তোক্লগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।



য়ু এস এগী কোনুং ৱাশিংটন দি সিদা লৈবা হ্বাইট হাউচকী সাউথ লোমদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা জুন ১২দা সম্মিট অদু অদুম্মক পাঙথোকপা য়াই হায়না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না য়ু এস নেভেল একাদমী হৌদোকপগী ৱারোল পীদ্রিঙৈ মমাঙদা পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

নোর্থ কোরিয়ানসু সম্মিট অদু পাঙথোকপা পাম্মি, য়ু এস এনসু পাম্মি। সম্মিট অদু পাঙথোকপা য়ানা লৈ মখাতাবা য়েংবা তারি হায়না প্রসিদেন্ট অদুনা মখাতানা ফোঙদোকখি। নোর্থ কোরিয়াগা লোয়নননা ন্যুকিয়র সম্মিট অদু মপুং ফানা পাঙথোক্লনবা অচুম্বা লম্বেলদা চঙশিল্লি। করিগুম্বা সম্মিট অদু পাঙথোকপা তারবদি হান্না লেপ্পখিবা মফম সিঙ্গাপোরদা জুন ১২দা অদুম্মক পাঙথোক্লবা হোৎনরি। তঙাই ফদ্রবদি মতম অদু য়ৈথোকপা ফাওবা য়াই হায়খি।

পনবা য়াই, নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী মকোক থোংবা ওফিসিএল অমনা ঙসি ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদা য়ু এস এনা ন্যুকিয়র সম্মিট অদু তোক্লগনি হায়না ফোংদোকখ্রবা মতুং অমুক পাঙথোকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈ হায়বা ৱাফম অদু লাকপদগী নোর্থ কোরিয়াসু লৈবাক অনী পুন্না ফম্মিনদুনা প্রোব্লেম সোল্ব তৌবা পাম্মি হায়না ফোঙদোকখি। ৱাফম অদুম্মক য়ু এস এগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা য়াম্না অফবা পাউ অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ু এস এগী দিমোক্রেটশিংনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা নোর্থ কেরিয়াগা ন্যুক্লিয়র সম্মিট পাঙথোকত্রিঙৈ মমাঙদা পিয়োংয়াংনা ৱাশিংটনদা হোষ্টাইল ওইবা ৱাফম ফোঙদোকখিবা অদুগী মতুংদা অমুক হন্না ৱারি শান্নবগী ৱাফম লাকপা অদুদা পেন্দবা ফোঙদোকখিবনি। য়ু এস এগী হ্বাইট হাউস ওফিসিএলনা ফোঙদোকখিবদা হান্না লেপ্পরম্বা জুন ১২গী মতম অদুদা অদুম্মক সম্মিট পাঙথোকপদা অৱাবা অমা ওইদদৌরি। মরমদি নোর্থ কোরিয়ানা ঈ-পাউ থদৎখিবদগী য়ু এসনা সম্মিট অদুগীদমক্তা প্লান্নিং অমসুং লোজিষ্টিক শেম্বদা মতম খর চঙগদৌরিবনি হায়রি।

# কৈসাল মানবা শা ১ মোন্টানাদা হাৎখ্রে

মোন্টানা, মে ২৬ (এজেন্সি): য়ু এসকী মোন্টানাদা কৈসালগা মান্নবা শা মখল অমা মোন্টানাগী লৌমী অমনা হাৎখ্রে। হাৎখ্রবা শা অদু করম্বা স্পেসিসনো হায়বা খঙবা ঙমদবগা লোয়নননা য়ু এস ৱাইল্ড লাইফ এক্সপার্টশিংদা অঙকপা অমা ওইহনখ্রে।

দেনতোন সিটিগী মনাক্তগী মমাঙ চয়োলদা মশক খঙদবা শা মখল অদু হাৎখিবনি। ষ্টেট ৱাইল্ড লাইফ এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, শা মখল অদু করম্বা স্পেসিস কাঙলুপতা চনবনো হায়বা খঙবা ঙমদে। শা অদুগী ফীভম য়েংবদা কৈসালগা মান্নবা মওং খরা উবা ফংই। শা অদুগী ময়াশিং অদু কৈসালগী ময়াদগী তেনবা থেংনৈ হায়রি।

## MARKSHEET LOST

I have lost my Original Marksheet of First Professional (MBBS) Examination, bearing Roll No. 13751 of 2014 (January) JNIMS, on the way from Chandel to JNIMS Hostel, Imphal on 23/05/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- HB WARPU ANAL
☎ 9383238207

HL-P/1437/27

## REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Registration Certificate of PAPPU Motor bearing Registration No. 4455 of 1-4-2010 issued by IMC, on the way from Majorkhul Gate to Paona Bazar on 24-05-2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Minta Ram Nawik
Proprietor Pappu Motor
S/o (L) Shri Ram Nawik, Majorkhul Gate

HL-P/1425/27

মণিপুর ইন্সটিটিউট অফ টেকনোলজী
MANIPUR INSTITUTE OF TECHNOLOGY
(A Constituent College of Manipur University)
TAKYELPAT, IMPHAL – 795 004 : MANIPUR

**ADMISSION NOTICE**
Imphal, the 25th May, 2018

No.3/1/2010-MIT/ 755 Applications in prescribed form are invited for admission into First Year B.E. Courses in (i) Civil Engineering, (ii) Electronics & Communication Engineering and (iii) Computer Science & Engineering in Manipur Institute of Technology (A Constituent College of Manipur University), Takyelpat, Imphal. Application Form along with Prospectus can be obtained from the Admission Counter w.e.f. 30/05/2018 on payment of ₹500/- only (₹300/- in case of SC/ST/PWD candidates) by Cash/Online payment/Demand Draft in favour of Principal, Manipur Institute of Technology, Takyelpat, Imphal for the academic session 2018-2019. Application form along with Prospectus can also be downloaded from the Institute's website www.mitimphal.in

Details can be seen on the Institute's Notice Board and website.

(N. Sonarjit Singh)
Administrative Officer
Manipur Institute of Technology,
Takyelpat, Imphal.

HL-B/4453/27

# CAS Medical/Foundation
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION OPEN

CRASH MEDICAL COURSE for NEET -2018

FOUNDATION COURSE

CLASS XI & XII
(Physics, Chemistry, Maths, Biology & English)

CLASS X
(English, Maths, Science, Social Science & Manipuri)

Foundation Course Classes commencing from 9th April, 2018

Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch

Seats are limited Fiirst come First Served

VAN service & hostel for BOYS & GIRLS available

For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal

HL-B/4647/25/5-28/6(Alt.)

# MILLENNIUM INSTITUTE OF SCIENCES
Kwakeithel Mayaikoibi, Imphal -01

ADMISSION OPEN for CLASS – XI Sc.

SUNDAY OFFICE OPEN

APPLICATION FORM ISSUE – 25TH MAY, 2018 ONWARDS
ISSUE OF ADMIT CARD – 27TH MAY, AT 2.00 PM
LAST DATE OF FORM SUBMISSION – 28TH MAY. 2018

DATE OF ENTRANCE TEST: Tuesday, the 29th May, 2018

SPECIAL FACILITIES FOR MERITORIOUS STUDENTS OF HSLC EXAM 2018 IN MIS FOR CLASS XI SC. 2018-19 SESSION

* 75% AND ABOVE
  - ELIGIBLE FOR DIRECT ADMISSION
* 80% AND ABOVE BUT BELOW 83%
  - FREE ADMISSION FEE
  - FREE MONTHLY TUITION FEE
  - FREE SCHOOL UNIFORM (1 SET)
  - FREE NOTEBOOK GRANT (1 SET)
  - TEXT BOOK GRANT
  - MONTHLY SCHOLARSHIP OF Rs. 1000/- PER MONTH
  - FREE PRIVATE TUITION IN MACCS
  # LIMITED SEAT
* 83% AND ABOVE BUT BELOW 85%
  - FREE ADMISSION FEE
  - FREE MONTHLY TUITION FEE
  - FREE SCHOOL UNIFORM (1 SET)
  - FREE NOTEBOOK GRANT
  - MONTHLY SCHOLARSHIP OF Rs. 2000/- PER MONTH
  - TEXT BOOK GRANT
  - FREE PRIVATE TUITION IN MACCS
  - FREE CJP+ for NEET/AIIMS or CJP+ for JEE (Main & Advanced) Course which includes All India Aakash Test Series (AIATS)
  # LIMITED SEAT
* 85% UPTO ONE MARK BELOW 25th POSITION OF HSLCE 2018
  - FREE ADMISSION FEE
  - FREE MONTHLY TUITION FEE
  - FREE SCHOOL UNIFORM (1 SET)
  - FREE NOTEBOOK GRANT
  - MONTHLY SCHOLARSHIP OF Rs.3000/- PER MONTH
  - TEXT BOOK GRANT
  - FREE PRIVATE TUITION IN MACCS (MILLENNIUM ADVANCED CENTRE FOR COMPETITIVE STUDIES)
  - FREE CJP+ for NEET/AIIMS or CJP+ for JEE (Main & Advanced) Course which includes All India Aakash Test Series (AIATS)
  - FREE TRANSPORT SERVICE
  # LIMITED SEAT

For details/Queries: Contact Principal, MIS Kwakeithel Mayaikoibi, Imphal-01

Application form for Class – XI Sc. can also be downloaded from the School Website: www.millenniuminst.com

➢ Fee for Application form should be paid at the School Counter at the time of submission of the filled up downloaded form.

Technical Collaboration with
AAKASH INSTITUTE/AAKASH IIT JEE, NEW DELHI
For CJP+ for NEET/AIIMS & CJP+ for JEE (Main & Advance)
which also include All India Aakash Test Series (AIATS)

HL-P/5080/26,27,28

# COMET SCHOOL
A Co-Educational Higher Secondary School

ADMISSION OPENS FOR CLASS XI (Sc.) 2018-19
MODE OF ADMISSION : THROUGH ENTRANCE TEST

APPLICATION FORM : Prospectus along with form is available on 27th May, Sunday, 2018 during school office hour 8:30 a.m. to 01:00 p.m.. Please bring the downloaded marksheet while collecting the prospectus & the application form.

ELIGIBILITY CRITERIA :
Students who passed the HSLC (BOSEM) Examination, AISSCE (CBSE) or equivalent examinations, 2018 are eligible. Students whose result is not yet declared can sit/appear the entrance test by submitting a written application along with a photostat copy of class X admit card, 2018.

DIRECT ADMISSION: (SEATS ARE LIMITED, BASED ON FIRST COME FIRST SERVE)
1st to 25th Rank in HSLC, 2018:
80% and above but not among the top 25 in HSLC, 2018:
90% and above in AISSE (CBSE) / any Equivalent Exams, 2018:

SCHOLARSHIP
1st to 10th Rank holder in HSLC, 2018 : Rs. 8000/- per month
11th to 15th Rank holder in HSLC, 2018 : Rs. 6000/- per month
16th to 25th Rank holder in HSLC, 2018 : Rs. 4500/- per month

1st to 25th Rank Holder in HSLC, 2018:
Benefits: * Free Admission Fee for Class XI & XII * Free Tuition Fees for Class XI & XII * Free Foundation Course Coaching Classes at COMET Keishampat in class XI & XII * Free Medical/Engg. Special Coaching Classe at COMET Keishampat in class XI and XII * One-time Free School Uniform (One Set) * One-time Reference Book Grant of Rs. 3000 * Free Home Tuition Classes by selective COMET Teachers * Free Bus Fee (for Class XI and XII).

85% and above but not among the top 25 in HSLC, 2018:
Benefits: * Direct and Free Admission Fee for Class XI * Free Tuition Fees for Class XI * Free Medical/ Engg. Special Coaching Classe at COMET Keishampat in class XI & XII * One-time Free School Uniform (One Set) * One-time Reference Book Grant of Rs. 2500 * Free Bus Fee (for Class XI).

90% and above in AISSE (CBSE) / any Equivalent Exams, 2018:
Benefits: * Direct and Free Admission Fee for Class XI * Free Tuition Fees for Class XI * Free Medical/ Engg. Special Coaching Classe at COMET Keishampat in class XI & XII * One-time Free School Uniform (One Set) * One-time Reference Book Grant of Rs. 2500 * Free Bus Fee (for Class XI).

80% and above but below 85% in HSLC, 2018:
Benefits: * Direct Admission without entrance test.

1st to 3rd Position in Entrance Test, 2018:
Benefits: * Free Admission Fee for Class XI.

Date of Examination: 28th May, 2018
Examination Time: 1:30 p.m.

Venues: 1. Comet School, Changangei Uchekon 2. Comet Coaching Centre, (New Building) Keishamthong Top Leirak Maning 3. Comet Coaching Centre, (Old Building) Naharolgi Thoudang Press Building, Airport Road

Submission of Form: Sunday, 27-05-2018 from 8 a.m. to 4 p.m.

Last date of Form Submission and issuing of Admit Card: 28th May, 2018 from (8:00-10:30) a.m.

N.B.: CBSE and Other Board students' entrance result will be declared only after the submission of Class-X marksheet to school.

HL-P/4452/27

Sd/- Principal, COMET SCHOOL